# সুপর সাইক্লোন ১৯৯৯ মতূংদগী খ্বাইদগী তমথিবা সাইক্লোন ফোনি মায়োক্লনবা ওরিষ্যানা থৌরাং তৌখ্রে



*ভুবনেশ্বর, মে ২ঃ*

ওরিষ্যাদা ১৯৯৯দা শিৎখিবা মীওই ১০,০০০ রোম শিখিবা অমসুং ষ্টেট অসিদা পাকচাওনা মাঙ–তাকহনখিবা 'সুপর সাইলোন' অদুগী মতূংদগী খ্বাইদগী তমথিবা ওইগদৌরিবা সাইক্লোন ফোনিনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী পূন্সি মাঙহন্দনবা অনেম্বা সমুদ্রা খোঙবানগী মফমশিংদা ওথোরিটিজনা ৱার ফুটিংদা মী হোন্দোকপগী থবক চথখরি।

হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতূং মতম অমা হেক্তদা সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অদু ওরিষ্যাগী কংফাললম য়ৌরক্কনি থাজনরি।

ওরিষ্যাদা য়ামদ্রবদা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ নোংলৈ–নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লবা য়াই। পূংদা কিলোমিটর ২০০ ফাওবগী নুংশিৎকী খোঙজেলগা লোয়ননা হয়েঙ নুমিৎয়ুংবা মতূং সাইক্লোন ফোনিনা গোপালপুর অমসুং চান্দবলিগী মরক্তা মতম অমা হেক্তদা হুমজিল্লক্লবা য়ারি।

সাইক্লোন সেল্টর ৮৮০, স্কুল অমসুং কোলেজ বিল্ডিংশিং অমসুং হীরম অসিগীদমক শেম্বা অতৈ শঙশিংদা মী লাক্ষ ৮ হেন্না পুথোক্লক্কনি। লৈবাক অসিদা মসিনা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা ইভেকুয়েসন ওপরেসননি হায়না স্পিসিয়েল রিলিফ কমিস্নার বি পি সেথিনা হায়রি।

মখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা পাউদা ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না হৌজিক সাইক্লোন ফোনি পুরিগী খা অমসুং খা–নোংচুপ্তা কিমি ৪৩০, অন্ধ্র প্রদেশকী, বীসাখাপতনমগী খা–খানোংপোক্তুনা কিমি ২২৫ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিঘাগী খা অমসুং খানোংচুপতা কিমি ৬৫০ রোম লাপ্পাদা লৈরি হায়রি।

সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অসিনা অৱাং অমসুং অৱাং–নোংচুপ পাংনা লাক্লগা পূংদা কিলোমিট ১৭০ অমসুং ১৮০ য়াঙনা অমসুং মদুনা পূংদা কিলোমিটর ২০০ ফাওবা য়ৌনা শিৎপগা লোয়ননা হয়েঙ পুরি মনাক্কী ওরিষ্যা সমুদ্রা খোঙবান লানশিলক্লবা য়াই।

ফোনি হায়নসু কৌনরিবা নোংলৈ–নুংশিৎ অসি চেন্নাই, বিসাখাপতনম অমসুং মচিলিপতনমদা দোপ্পলর ৱেদর রাদরশিংনা খোঙ্গুল লীরি হায়না স্পিসিয়েল রিলিফ কমিস্নারনা হায়খি।

সাইক্লোনিক ষ্টোর্ম অসিনা শোকহল্লবা য়াবা মফমশিংদা নোংথক্তগী থাদনবগীদমক অকংবা চীঞ্জাক ময়োম লাক্ষ অমা হেন্না থৌরাং তৌখ্রে।

নেভি, এয়ার ফোর্স, আর্মি, কোষ্ট গার্দতা থোরকপা য়াবা খুদোঙথিবা পূন্নমক থেঙননবা হায় এলার্টতা থমখ্রে। নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), ওরিষ্যা দিজাষ্টর রেপিদ এক্সন ফোর্স (ও দি আর এ এফ) অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী পার্সোন্নেল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মতেং পাংননবা খুদোঙথিবা থোক্লবা য়ামা মফমশিং থাখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অনেম্বা সমুদ্রা খোঙবান লমদমশিংদগী মী পুথেক্লকপগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবগী মনূংদা মপূং ফানা লোয়শিন্নবগী পান্দম থল্লি হায়না স্পিসিয়েল রিলিফ কমিস্নার বি পি সেথিনা হায়খি।

সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর শুরেস প্রভুনা এয়ারপোর্ট ওথোরিটিজদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখ্রে। এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা সমুদ্রা তোর্ব্বান লমদা লৈবা এয়ারপোর্ট পূন্নমক্তা এলার্ট ইসু তৌখ্রে। এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা এয়াপোর্ট ১০০ হেন্নবগী মপু ওইরি অমসুং মেনেজ তৌরি।

রেলৱেনসু হৌখিবা নুমিৎ নীনি হুমনিদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং ওইনা ট্রেন ৮৯ কেন্সেল তৌখ্রে। মী হোন্দোক্লনবা স্পিসিয়েল ট্রেন অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা পূং ১২দা পুরিদগী সালিমর তানা চৎখ্রে।

লৈবাক অসিগী ইমরজেন্সিগী ফিভম অমা থেঙননবগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা বোদি ওইরিবা নেসনেল ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কমিটি (এন সি এম সি)না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নোংলৈ–নুংশিৎ অসিগীদমক থৌরাং তৌরিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে।

# অফগান ঙমখৈ পরিংদা টেরোরিষ্টশিংনা পাকিষ্টান ফোর্সশিংদা লান্দারকখ্রে, লান্মী ৭ হাংখ্রে, ৭ শোক্লে

*ইস্লামবাদ, মে ২ঃ*

পাকিষ্টানগী অফগানিষ্টানগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিং নোর্থ ৱাজিরিষ্টান প্রোভিন্সতা পাকিষ্টান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টেরোরিষ্ট ৬০–৭০না লান্দারকখিবদা লান্মী ৩ শিখ্রে অমসুং ৭ শোকখ্রে হায়না ঙরাং থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিষ্টানগী মিলিটরিগী মেদিয়া ৱিং ইন্টর–সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)না ফোঙদোকখ্রে।



আই এস পি আরগী মতূং ইন্না পাকিষ্টান ট্রুপশিংনা মতিক চানা পাউখুম পীখি অমসুং লান্দারকপা অদু তাম্হোকখি। মদুদা টেরোরিষ্ট কয়ামরুম শিখি অমসুং শোকখি হায়রি।

পাকিষ্টাননা ঙমখৈদা শম্বল খানবা হোৎনরিবসি অসিগুম্বা খুরৌ কয়ামুক লৈদুনসু মখা চথখিগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ঙাক–শেন্দবা কিলোমিটর ২৬১১গী ঙমখৈ অদু শম্বল খানবা থবক অদু মিলিটরি লূচীংদুনা ২০১৭গী অঙনবদগী হৌখিবা অচৌবা থবক অমনি। অদুবু অফগানিষ্টাননা বৃটিস মতমদা ১৮৯৩দা য়াৎখিবা দুরান লাইন অদু য়াদবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী শম্বল খাবগী মায়োক্তা লৈ।

মসিগী মথক্তা পাকিষ্টাননা শম্বল খারকপা অদুনা ইথনিক পাষ্টুন ইমূং–মনূংশিংবু মচেৎ তাহন্দুনা ৱা থোক লুশিনহল্লি হায়রি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ওপরেসনশিংদগী চেনখ্রবা মতূংদা মিলিটেন্টশিংনা অফগানিষ্টানগী ঙমখৈগী মফমশিংদা চংজফম লৌখি অমসুং মফম অদুদগী পাকিষ্টানগী মায়োক্তা টেরোরিষ্টকী লানশিং চথনবগী থৌরাং তৌরি হায়না পাকিষ্টান ওফিসিয়েলশিংনা মরান শীরি।

ইস্লামাবাদনা মখোয়গী ঙমখৈ ঙাক্লবগী থৌরাং অসি দোল্লর মিল্লিয়ন চা কয়া চংলবসু মসিনা মায়কৈ অনীমক্তা মিলিটেন্টশিং নারোনদা চখোক–চৎশিন তৌবা অমসুং আইনগী ৱাংবদা ঙমখৈ লানশিনবা থিংবা ঙমগনি হায়রি।

# শ্রী লঙ্কা গভর্ণমেন্টনা সন্দে বোম এটেকশিংদা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিংগী মরন–মথুমশিং ফাজিলগনি



*কলম্বো, মে ২ঃ*

শ্রী লঙ্কাদা মীওই ২৫৩ হাৎখিবা অমসুং ৫০০ শোকহনখিবা অমসুং চর্চ ৩ অমসুং লকজরি হোটেল ৩দা বোম মথঙ–মথঙ পোকখাইহনখিবা সুইসাইদ বোম্বর ৯ অমসুং মখোয়গী মরিমতাশিং মশক খঙবা ঙমখ্রবগী তূংদা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মরন–মথুমশিং ফ্রীজ তৌশিন্নবা ওথোরিটিজনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সিআইদি)না মরম–মথুমশিং অদু মশক খংদোক্লবগী অমসুং মদুগী মমিং শেন্নবগী থবক চথরি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই এস পি রুৱান গুনাসেকরাগী ৱা পল্লদুনা দেলি মিররগী পাউনা হায়রি।

পুলিসনা জহরান হাসমি হায়নসু খংনবা মোহম্মেদ কাসিম মোহম্মেদ জহরানবু সুইসাইদ বোম্বরগী টিম অদু লূচীংলকখিবনি হায়বা মশক খঙবা ঙমখ্রে।

হাসমি অসি আই এস আই এসগা মরিলৈনবা শ্রী লঙ্কাগী লূপ নেসনেল থোৱহীথ জমাথ (এন টি জে)গী লূচীংবনি। মহাক শঙ্গ্রি–লা হোটেলদা মহাক মশামক পোকখাইহনখি। মহাক নোংপোক থংবা প্রোভিন্স কথানকুদিগী মুস্লিমনা মশীং য়াম্না মফমদগী লাকখিবনি হায়না গুনাসেখকরানা হায়খি।

মহাক্কী মনাওনুপা মুহম্মেদ নজার মোহম্মেদ অজাথসু নোংপোক থংবা বাতিকোলা টাডনগী জিওন চর্চতা এটেক তৌখিবা সুইসাইদ বোম্বর অদুনি অদুগা মহাক্কী অতোপ্পা মনাওনূপা অছি মোহম্মেদ মোহম্মেদ হাসথুলসু নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোর্ব্বানগী টাউন নেগোমহোগী কাতুৱাপিটিয়াদা লৈবা সেন্ট সেবষ্টিয়ানস চর্চতা এটেক তৌখিবা বোম্বর অদুনি।

কনভেন্সন ওন দ সপ্প্রেসন ওফ টেরোরিষ্ট ফাইনান্স এক্ট অমসুং প্রিভেন্সন ওফ মনিলোন্দরিং এক্টকী মখাদা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎপনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

# সি বি এস ই ১২ ক্লাসকী একজামদা হন্সিকা শুক্লা অমসুং করিস্মা অরোরানা মার্ক ৫০০গী মনূংদা ৪৯৯ ফংখ্রে



হন্সিকা শুক্লা / করিস্মা অরোরা

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*

মসি সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি বি এস ই) ১২ ক্লাস একজামগী ফলদা অপূনবা মার্ক ৫০০গী মনূংদা অঙকপা অমা ওইনা মার্ক ৪৯৯ ফংদুনা দিল্লি পব্লিক স্কুল (দি পি এস) ঘাজিয়াবাদকী হন্সিকা শুক্লা অমসুং এস দি পব্লিক স্কুল মুজাফরপুরগী করিস্মা অরোরানা পূন্না টোপ্পর ওইমিন্নখ্রে।

মহাক্কী স্কুল দিল্লি পব্লিক স্কুল ঘাজিয়াবাদতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হন্সিকা শুক্লানা অপূনবা মার্ক ৫০০গী মনূংদা ৪৯৯ ফংদুনা মহাক্ন মার্ক ১ মাংজহৌখিবদা মহাক করিসু নুংঙাইতবা লৈতে। মার্ক ১ অদু ইংলিস সবজেক্টা ৱাৎহৌবনি হায়খি।

ইংলিস হায়রিবা সবজেক্ট অসি করিগুম্বা নখোয়না চাদা ৯৫ ফংবদা য়াম্না ফজনা তৌরে খন্নরিবনি মরম অদুনা ঐহাক নুংঙাইতবা লৈতে হায়খি।

ইংলিসতা ৯৯ ফংবা অদুখক নত্তনা হন্সিকা শুক্লনা হিষ্টরি, পোলিটিকেল সাইন্স, সাইকোলোজি অমসুং হিন্দুষ্টানি ভোকেলসতা চাদা ১০০ ফংখি।

ঐগী অরেপ্পা পান্দম অমা থমখিদে অদুবু ঐনা য়াম্না ফজনা তৌগনি হায়বগী অশা তৌখি। হৌজিক ঐহাক্না ঐনা তৌগে খল্লিবা অদুদা পূক্নিং চংলি হায়না মহাক্না হায়খি। ঐহাক্না দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদগী, হেন্না পাম্বদি লেদি শ্রী রাম কলেজ ফোর ৱুমেনদগী সাইকোলোজি ওনর্স তম্বাবা পাম্মি, ইন্দিয়ান ফোরেন সার্ভিসকীসু হোৎনদুনা য়েংবা পাম্মি হায়খি।

হন্সিকা শুক্লগী মমা ঘাজিয়াবাদতা কলেজ অমদা এসোসিয়েট প্রোফেসারনি। মহাক্কী মপানা রাজ্য সভাদা সেক্রেটরি অমা ওইনা থবক তৌরি।

ফেব্রুৱারি ১৬দগী হৌখিবা অচৌবা সি বি এস ই ক্লাস ১২ একজাম অদুদা মহৈরোই লাক্ষ ১৩ রোম শরুক য়াখি। হন্দক্কী চহী অসিদসু নুপীমচা মহৈরোই ৩না ২শুবা রেঙ্ক তাদুনা নুপামচাশিংদগী নুপীমচাশিংনা য়াম্না হেন্না লাকচখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা মহৈরোইশিংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। সি বি এস ই ক্লাস ১২ একজামস মায়পাক্ন পাস তৌখ্রবা ঐগী নহা মরুপ পূন্নমক্তা নুংঙাইব ফোঙদোকচরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ট্বিট তৌখি।

# হৌজিক ফাওবগী মনূংদা অহানবা ওইনা ট্রান্সপ্লান্টকীদমক কিদনি অমা দ্রোননা পুরকখ্রে

*ৱাসিংটন, মে ২ঃ*

অনাবা অমগী পূন্সি কন্নবা ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মথৌ তারবা কিদনি অমা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা ইহান হানবা ওইনা দ্রোননা পুরক্লগা পীখ্রে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা খোঙথাং অসিমক্তি হেন্না থুনা য়াঙনা অমসুং হেন্না শাফবা মওংদা ওর্গান অমা পুবগী অনৌবা খোঙজং হৌবনি।

অখন্নবা দিজাইন তৌবা হায়–টেক দ্রোন অদুদা মসিনা চৎকদবা মাইল ৩ শাংবা খোঙচৎ অদুদা কিদনি অদুবু মোনিটর তৌনবা ইক্বিপমেন্ট পানল্লি। কিদনি অদু দাইলাইসিস তৌদুনা চহী ৮ লৈরকখ্রবী বাল্টিমোরদগী চহী ৪৪ শুরবী নুপী অমনা ফংগদবনি।

এভিয়েসন রিগুলেটরসতগী অখন্নবা ক্লিয়ারেন্স অমা মথৌ তাবা দ্রোন অদু এপ্রিল ১৯গী অয়ুক পূং ১দগী পাইখৎলকখি অমসুং মাগী পন্থুংফমদা তারক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মিনিট ১০ রোম ফুট ৪০০ ৱাংনা পাইরকখি।



কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌবদা শরুক য়াখিবা সার্জনশিংগী টিমদা য়াওরিবা ডা. জোসেপ স্কেলিয়ানা দ্রোন প্রোজেক্টকী মায়পাকপা অদু থাগৎখি অমসুং দ্রোন দিলিভরিশিংনা ওর্গান অমগী ভাইয়েবিলিটি মাঙহনবা মতম থেঙথবা অদুসু কোকহনবদা মতেং ওইরগনি হায়খি।

মথঙগী পাইবদদি মাইল ৩০ নৎত্রগা ১০০ হেন্না ঙল্লবা য়াই। অরাপ্পা অসি থোইনা মরুওইদে। খ্বাইগী মরুওইবা শরুক্তি ট্রান্সপ্লান্টেসন অমসুং ট্রান্সপোর্টেসনগী হৌজিক লৈরিবা সিষ্টেমদা ঐখোয়না দ্রোন টেক্নোলোজি পাংথোকপা ঙমলকপসিনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা ট্রান্সপোর্টকী মেথদশিংদি অয়াম্বনা দোল্লর লিশিং ৫ রোম চঙবা অমসুং মতমসু করিগুম্বদা থেঙথবা শেন চঙবা চার্টর ফ্লাইটশিং নৎত্রগা কমর্সিয়েল ফ্লাইটশিংদা পুবা অসিনি।

য়ুনাইটেদ নেটৱার্ক ফোর ওর্গান সিয়ারিংগী মতূং ইন্না ২০১৮দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট অমগীদমক ঙাইদুনা মীওই ১,১৪,০০০ রোম লৈ হায়রি।

দোনর ওর্গান সিপমেন্টশিংগী চাদা ১.৫ রোমদি মখোয়না য়ৌগদবা পন্থুংফম অদু য়ৌখিদে। মসিদ নত্তনা ওর্গান সিপমেন্টশিংগী চাদা ৪ রোমদি পূং ২ নৎত্রগা ২দগী হেন্না মতম থেঙথনা য়ৌই। ওর্গান সিপমেন্টশিংগী দাটা মেনেজ তৌবা কম্পেনি অমা লিংখৎখিবা স্কেলিয়ানা দ্রোন ওর্গান পুরকপগী সিষ্টেম অসিবু হেন্না মমল চংলোইদবা উবের–লাইক সার্ভিস অমগুম্বনি হায়খি।

# রাহুল গান্ধী মীখলদা মীরেপ ওইবা থিংনবগী ৱাকৎ লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা মথঙ চয়োলদা হিয়ারিং তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*

রাহুল গান্ধীগী সিটিজন্সিপ ৱাথোক্কী ৱারেপ লৌদ্রি ফাওবদি লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইবদগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিবু য়াহন্দনবা সেন্টর অমসুং ইলেক্সন কমিসনদা দিরেক্টিব পীবিয়ু হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা হন্দক্তা রাহুল গান্ধীদা মহাক্কী সিটিজন্সিপকী ষ্টেটসতা ৱাহং হংলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতাংদা মাগী চপচাবা ফিরেপ থাখাই অমগী মনূংদা শেঙদোক্লবা মঙোন্দা নোটিষ্ট অমা পীখিবনি।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী মকোক থোংবা কোর্ট অসিদা ৱাকৎ অদুনা হায়রিবদি বি জে পি লূচীংবা সুব্রমনিয়ন শ্বামিনা হীরম অসিগী মতাংদা নবেম্বর ২০১৫দা চেরোল অমা ইখ্রবা ফাওবদসু রাহুল গান্ধীনা ভলন্টরি ওইনা বৃটিস সিটিজন্সিপ লৌখিবগী ৱাহং অদু ৱারেপ লৌবদা সেন্টর অমসুং মীখলগী বোদি অসিনা থবক পাংথোক্তবদা পেটিস্নরশিংনা পেন্দে হায়খি।

জয় ভগৱান গোয়াল অমসুং সি পি ত্যাগি, পেটিস্নরশিং অসিনা হোম মিনিষ্টি অমসুং ইলেক্সন কমিসনগী মমাঙদা হীরম অসিগী মতাংদা মরীকচুম্বা ইভিদেন্স থমখ্রবা মরন্না রাহুল গান্ধীবু মহাক্না উত্তর প্রদেশকী অমেথিদগী অমসুং কেরেলাগী ৱায়ানাদতগী লোক সভা মীখলগী মীরেপ ওইনবা হোৎনরিবদু য়াহল্লোইদবনি হায়খি।

এদভোকেট বরুন কুমার সিনহনা কোর্টতা লানখৎলকখিবা ৱাকৎ অদুদা রাহুল গান্ধীগী বৃটিস সিটিজন্সিপ লৌখিবগী ৱাহং অদুগী ৱারেপ লৌদ্রিফাওবা ইলেক্টোরেল রোলদগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লবসু ইলেক্সন কমিসনদা দিরেক্টিব অমা পীবিয়ু হায়খি।

ৱাকৎ অসি চীফ জষ্টিস তরুন গোগোইনা লূচীংবা বেঞ্চ অমগী মমাঙদা অথুবা ওইনা হিয়ারিং চথনবগী লিষ্টতা হাপখ্রে।

জষ্টিসশিং–দীপক গুপ্তা অমসুং সঞ্জিব খানাসু য়াওবা বেঞ্চ অদুদা পেটিসনরশিংগী লেপ্লিবা উকিল অদুনা হীরম অসি মথঙ চয়োলদা হীয়ারিং তৌনবা হায়জখি। মদুদা বেঞ্চ অদুনা ঐখোয় য়েঙশিনগে হায়খি।

রাহুল গান্ধীদা হন্দক থাখিবা চেরোল অমদা হোম মিনিষ্ট্রিনা বেক্কোপস লিমিটেদ কৌবা কম্পেনি অমা রাহুল গান্ধীনা দাইরেক্টরশিংগী মনূংদা দাইক্টের অমা ওইনা য়াওদুনা ২০০৩দা য়ুনাইটেদ কিংদমদা রেজিষ্টার তৌখি হায়বা সুব্রমনিয়ম শ্বামিদগী চেরোল অমা ফংখি হায়খি।

ওক্টোবর ১০ ২০০৫ অমসুং ওক্টেবর ৩১, ২০০৬তা থাগৎপা বৃটিস কম্পেনি অদুগী এনুয়েল রিটর্নতা রাহুল গান্ধীগী দেট ওফ বার্থ জুন ১৯, ১৯৭০ হায়না পীরি অমসুং মহাক্কী নেস্নেলিটিদি বৃটিসনি হায়না দিক্লার তৌরি হায়না সুব্রমনিয়ম শ্বামিগী চেরোল অদুদা পল্লকখি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

# পুনে মনাক্কী দামদা ইরোইবদা মহৈরোই অহুম লাকশিনখ্রে

*পুনে, মে ২ঃ*

নুপীমচা অমা য়াওনা এম বি এ মহৈরোই ৩ ঙসি শগোলশেলগী অয়ুক্তা মুলসি দামদা ইরোইবদা ঈশিংদা লাকশিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া বিদ্যাপীথতগী এম বি এ মহৈরোই ১০গী খূৎপু অমনা হায়রিবা দাম অদুগী মনাক্তা লৈবা বালমে খূঙ্গংদা লম কোইবগী খোঙচৎ অমা লাকখিবনি। অহীং অমা ল্লেবা তূংদা মহৈরোই খরনা অয়ুক পূং ৭ লোম তাবদা ইরোইনবা দামগী ঈশিং অদুদা কুমথখিবনি হায়না পুনে পুলিস কন্ট্রেলগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মহৈরোইশিং অদুনা ঈশিং অদু কয়াম লুরমগদগে হায়বা খলহৌদবা মাল্লি। য়ামদ্রবদা মহৈরোই ৩ থিবা কঙখিদ্রে অতৈ মহৈরোইশিংনা তেংবাংন্নবা কৌরকপদগী রেস্কু টিমশিং চংশিনখি। হৌজিক ফাওবদা শঙ্গীতা নেগী অমসুং সুভম রাজ সিনহ কৌবা ২গী হকচাং ফংলে মখোয়গী মমান্নবা শিবাকুমারগী হকচাং ফংনবা রেস্কু দাইভরশিংনা হোৎনরি।

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Moirang**
*Ref. :- Mutation Case No. 517 /SDC/Moirang, 2/5/2019*

Lairenmayum Gandhi Singh S/O
Lat L. Tonubabu Singh of Tronglaobi Makha Leikai.
***-Petitioner***

***-Vrs-***

Late Lairenmayum Tonubaba Singh S/O
Late L. Kheru Singh Tronglaobi. ***(opp)***

**NOTICE**

*Moirang the 2nd May, 2019*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১–ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৭০৭ সিঃ এসঃ দাগকী নং ১০৯৯ এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মৃঃ ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমূং–মনূংনা হায়রিবা লৌফম অসি মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৫ (মঙা)নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাকক্তুনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা (য়েৎপীরবা) অপীত তৌরবা য়াগনি। অকক্লবা নুমিৎশিং অসিগী মনূংদা লাক্তবা তারবদি মতূংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang, Manipur

*SL/4755(a)/03*

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Moirang**
*Ref. :- Mutation Case No. 519 /SDC/Moirang, 2/5/2018*

Ramuchung Kom S/O Late Nirpur Kom of Khoirentak
***-Petitioner***

***-Vrs-***

Late Robert S/O Ramuchung of Khoirentak.
***(opp)***

**NOTICE**

*Moirang the 2nd May, 2019*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১–ঙাংখলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৬২৪ অনৌবা সিঃ এসঃ দাগকী নং ১০০৯ এরিয়া অপূনবা ৪.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনূংদগী মথক্তা পাল্লিবা দরখাষ্টকারি অসিগীগা লৈখিদ্রবা (L) Robat কো–পাট্টাদার অনিসিগী মিংদা লৈবানা এরিয়া ৩.০০ একর অসিনি। এরিয়া ৩.০০ মনূংদগী এরিয়া ০.৬২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃঃ ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মপানা (অপোকপানা) মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অপতি (য়েৎপীরবা)য়াগনি। অকক্লবা নুমিৎশিং অসিগী মনূংদা লাক্তবা তারবদি মতূংদা লাকপা অপতি (য়েংলবা) লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang, Manipur

*SL/4755(b)/03*

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/03/19
Sl. No. : 5215
Valid : 06/03/19
Sl. No. : 4441
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 01/04/19
Valid : 29/03/19
Stk : 612

**Yairipok Gas Service**
Booking : 01/04/19
Valid : 29/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 11/04/19
Valid : 19/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 27/03/19
Valid : 19/03/19
Stk : 612, 5kg Available
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Khurkhul Hekham Indame**
Booking : 05/04/19
Valid : 01/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 a.m.

**J. Rongmei SK Indane**
Booking : Up to Sl. No. 37300
Valid : 36961
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 592
Time :From 08.00 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 26/03/19
Valid : 06/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 22/04/19
Valid : 09/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Phayeng Indane**
Booking : 20/04/19
Valid : 10/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**সনা–সুদোকু – ১১০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 5 | 1 | 7 | 8 | 9 | 6 | 4 |
| 8 | 4 | 9 | 2 | 6 | 5 | 1 | 3 | 7 |
| 7 | 6 | 1 | 3 | 9 | 4 | 5 | 8 | 2 |
| 1 | 2 | 6 | 9 | 5 | 7 | 3 | 4 | 8 |
| 9 | 5 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 7 | 1 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 1 | 2 | 9 | 5 |
| 6 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 1 | 9 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 4 | 9 | 8 | 5 | 6 |
| 5 | 9 | 4 | 8 | 1 | 6 | 7 | 2 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-111**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 1 | | 6 | | 7 | |
| 4 | | | | 5 | 9 | | 6 | |
| | | 3 | 7 | | 8 | | | 5 |
| 6 | | 5 | | 7 | | | | 8 |
| 7 | 8 | | | | 5 | 4 | | |
| | 1 | | | 6 | 3 | | | 7 |
| | | 8 | | 3 | | 6 | | |
| | 4 | | 6 | | | | 8 | |
| | | 6 | | | 7 | 5 | | |